# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur






Vol. 48, Issue No. 012 | লৈবাকপোকপা, শজিবু নোংমা পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, April 09, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


## শেলনা ভোট লৈবগী থৌওং মথি ফোঙলক্লব্রা

# চহী ৯৩ শুরবী নুপী ১ ভোট থাদবদা সিরিএল নম্বর ২দা থাদৌ ঙা চানবা শেল পীগে হায়রম্বগী ৱাথোক থোরক্লে

### কোংগ্রেস মীরেপ প্রোফেসর বিমোলগী ইলেক্সন এজেন্টনা দি ঈ ও অমসুং আর ওদা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৯ অমসুং ২৬তা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী ১৮শুবা লোক সভা মীখল অসিগী মাঙওইননা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরনা চহী য়াম্লবা অমসুং দিসএবল পর্সনশিংগী ওইনা মশাগী য়ুম-য়ুমদা মরী লৈনবা পোল্লিং পর্সনেলশিং থাদুনা ঙরাংদগী ভোট থাদনহনবা হৌবদা ঙাইরিঙৈদা মশাগী চহী ৯৩শুরবী নুপী ভোটর অমদা 'ঙা চানবা শেল পীগে, সিরিএল নম্বর ২ (বি জে পিগী মীরেপ টি ঐচ বসন্তকুমার) দা ভোট থাদৌ' হায়রম্মী হায়বগী ৱাথোক থোরকপদগী



মরী লৈনবা ঈ আর ও অমসুং আর ওশিংদা ৱাকৎনখিবগা লোয়ননা ঈ আর ওগী মায়কৈদগী অনৌবা বুথ লেভেল ওফিসর খন্ননবা এ আর ওদা দিরেক্সন পীরকখ্রে।

থৌদোক অসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ঙরাংদগী পোষ্টেল বেল্লোটকী খূত্থাংদা ভোট থাদবা হৌহনখিবদা চীংমৈরোং মনীং লৈকায়দা

### দি ঈ ওনা অনৌবা বুথ লেভেল ওফিসর খন্ননবা এসিস্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসরদা দিরেক্সন পীখ্রে

লৈবা চহী ৯৩ শুরবী নুপী ভোটর অমগী ইমুংদা থোকখিবনি। মফম অদুগী মরী লৈনবা বুথ লেভেল ওফিসর (বি এল ও) না ভোটর অসিদা সিরিএল নম্বর ২দা থাদৌ, ঙা চানবা শেল পীগে হায়রম্মী হায়বদগী ৱাথোক অসি থোরকখিবনি।

ঙরাংদগী হৌরদুনা পোষ্টেল বেল্লোটকী খূত্থাংদা হন্দক্কী মীখল অসিগী ভোট থাদবা হৌদোকখিবদা চীংমৈরোং মনীং লৈকায়দা লৈবী মশাগী চহী ৯৩শুরবী ৱাংখৈরাকপম মনি কৌবী ভোটর অসিগী য়ুমদা লাক্লস্বা বুথ লেভেল ওফিসরনা মঙোন দা ৱাফম অসি হায়রম্মী হায়না ভোটর অসিমক্লা ফোঙদোকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# লৈঙাক্কী লোয়শঙ কয়ানা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবা থৌওংশিং চথরে হায়দুনা কোংগ্রেসনা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস) :** তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী ১৮শুবা লোক সভা মীখল অসিগী থা অসিগী ১৯দা অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনগদবা শুপ্নতগী নুমিৎ ১০নিদা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না ঙাক্লা চৎননবা খঙহল্লককখিবা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবা থৌওং কয়া চথরে হায়রদুনা মণিপুরগী ইন্নর অমসুং আউটরদা মীরেপ থাগৎলিবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টনা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) মণিপুরদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা ৱাকৎখ্রে।

মতাংসিদা পলহৌবা য়াবদি, মমাঙ থাগী ১৬তা ঈ সী আইনা লৈবাক অসিগী ১৮শুবা লোক সভা মীখল তাঙ্কক তরেৎলক থোক্লা পাঙথোক্লগনি হায়দুনা ন্যু দেল্লিগী বিজ্ঞান ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কম্মিসন অসিগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নরনা লাউথোকখিবা মতমদগী মীখল অসিগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌরকখ্রবনি।



ঙসি কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা সী ঈ ও, মণিপুরদা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবা থৌওংশিং চথরে হায়দুনা পনখিবশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী সেরিকলচর, এদ্যুকেসন (স্কুলস), দিরেক্টর (আয়ুস), মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট, এগ্রীকলচর, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজ বেন্দ্রি সর্ভিসেস, প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট, মেনেজিং দিরেক্টর, এম এস পি সী এল, দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন অমসুং ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি এন্দ কম্যুনিকেসন দিপার্টমেন্টনা রিক্রুটমেন্ট চথনবগী নোটিফিকেসনশিং মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনদ্রিঙৈগী মমাঙদা থোকখ্রবসু এদভির্টিজমেন্ট/নোটিফিকেসনশিং অসিগী মতুংইন্না মখা তাবা থবক থৌরমশিং চথরক্লে হায়বসিনি।

মরম অসিনা অসিগুম্বা ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইদুনা চথরক্লিবা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগী ওফিসলশিংগী মথক্তা চপ চাবা লোগী ওইবা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়খিবনি। ৱাকৎ চেরোল অসিগী কোপি অমসু ন্যু দেল্লীগী অশোক্কা রোদকী নিরবচন সদনদা লৈরিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদসু পীখি হায়রি। অদুম ওইনমক ৱাকৎ অসিগা মরী লৈননা ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা সী ঈ ও, মণিপুরগী মায়কৈদগী থবক লৌখৎলকপগী পাউ ফংবা ঙমখিদে।

## শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবগী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি



**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী অনৌবা চহী হৌবা 'শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা' নুমিৎকী মাঙওইননা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকে, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, আর দি এন্দ পি আর/মাহুদ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ, মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র, য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম), মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) অমসুং মণিপুর ইমানা মণিপুরগী মীয়ামদা অনৌবা চহী লাকপগা লোয়ননা ঈং-তপ্পা পুরকপা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

### পাউচে পুথোক্লোই

ঙসি এপ্রিল ৯, ২০২৪ শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবগী প্রেস ছুটি ওইবনা এপ্রিল ১০দা পাউচে অসি পুথোকচরোই। -মেনেজর

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Pangthokkadouriba Election ashida aranba pambei sijinnaduna mai paknaba hotnaraklabadi party natraga meerep adu matik chade haiba nattra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Vote mayada leingakna meeyambu 'LOURAMDAI TENGNA MANBI KHAINARAMDAI YONGMANBI' oina tourakpada meeyamna pangthaba chumgadra?

Yes 0% No 100%

### অস! লোইরেহে!

- নোটাদা থাদৌ, চৎখ্রনু।



- নোটাদুবু শেল কয়াম য়েল্লি হায়গে।

## ভোট থাদগদবা মতম নকশিল্লকপদা পোলিটিকেল লিদরশিংগী ৱাফম, হুন্দোক-হুঞ্জিন

### নরেন্দ্র মোদি লাক্তে হায়না ৱারৌনরিবসি মণিপুর লৈঙাক্লা হায়জরল্লবদি শোয়দনা লাক্লমগনি : আর কে রঞ্জন

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস):** মমাঙ চহীগী মে ৩দগী মণিপুরদা থোরকখিবা লানগী ৱাথোক অসিবু খাম্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মশামক মণিপুরদা হৌজিক ফাওবা লাক্তে হায়না মীয়াম্না ৱারৌনরিবা অসি করিগুম্বা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লাকপীনবা হায়জরল্লবদি শুংশোয় শোয়দনা মণিপুরদা লাক্লমগনি হায়না য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (এক্সটর্নেল এফেয়রস অমসুং এদ্যুকেসন) সু ওইরিবা ইন্নর মণিপুরগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি কোংবা উচেকোনদা লৈবা মশাগী য়ুমদা ঙরাং পাউমী খরদা পীখিবা অখন্নবা ইন্টরভিয়ু অমদা ডা. আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, মণিপুরদা থোরক্লিবা লানগী ৱাথোক অসিদি ষ্টেট অমগী মনুংদা ফুরুপ অনীগী মরক্তা মূক্নরকপদগীনি। অসিগুম্বা ৱাথোক অসিদি মহৌশানা হোম মিনিষ্ট্রিনা য়েংশিনগদবনি। মদুমক্লা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ মশামক লাক্তুনা



নুমিৎ হুমনি অমসুং হোমগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটনা নুমিৎ ২০নি হেন্না মণিপুরদা লৈদুনা ষ্টেট অসিগী ফীভম য়েংশিল্লখিবনি। পূন্নমক ওইদুনসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### মতম চানা সেন্টরনা খূৎ থিংজিনহৌবনা মণিপুরগী ফীভম ফগৎলক্লিবনি : নরেন্দ্র মোদি

**ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সী):** মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়াম্না চেকশিন্না অপূনবা থৌদাং অমা লৌদুনা ফগৎহনবা মথৌ তারে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক মণিপুরগী ফীভম ফগৎলক্লিবসি সেন্টরনা মতম চানা খূৎ থিংজিনহৌবা অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী হোৎনজমন্দগীনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী লাননা থা ১২ ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা মীয়াম্না করিমত্তা হায়দে হায়দুনা ৱারৌনরক্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱাফম অসি ঙসি পাউচে অমা (অসাম ত্রিবুন) দা পীখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি শন্তাইনবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কখোকপগা লোয়ননা অঙম্বা পান্থে



অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ মেছিন্নরি শীজিন্নদুনা হোৎনরক্লি। মণিপুরগী ৱাথোক অসিনা কনখৎলকখিবা মতমদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ মণিপুরদা লৈখি। হোম মিনিষ্টরনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরবু কনখি হায়না ফোঙদোরক্লিবসি মীংচৎ থীনীংঙাইনি অমসুং ইকায়বা খঙদবনি : জয়রাম

**ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সী):** মণিপুরগী লান থা ১২ চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা লান অসিবু লেপহন্নবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্তিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরবু মহাক্লা কল্লকখিবনি হায়না ঙসি ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি মীংচৎ থীনীংঙাইনি অমসুং ইকায়বা খঙদবনি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা জয়রাম রামেসনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা অশেংবা শক্তমদি মীওইচা কয়া হাৎখ্রবনি অমসুং মীওই কয়ানা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরিবা অকিবা ফীভম্না মরম ওইরদুনা মীওই কয়া লাঞ্জেন্নরিবনি হায়খি। মণিপুরগী ফুরুপশিং তোখায় তানরে হায়রদুনা থা ১১ হেল্লবা ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা চত্তবদা নত্তনা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর নৎত্রগা এম এল এ নৎত্রগনা এম পিশিংদা ফাওবা মণিপুরগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা ৱারী শানদ্রি হায়খি।

মণিপুরগী মতাংদা শুপ্নতগী ৱাফম খরা মিনট অহুমখমক ফোঙদোকখিবদু



নত্তনা ঙসি ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা তূমিন্না লৈশিল্লক্লি হায়রদুনা মণিপুরগী ৱাথোক অসি বি জে পিগী নাকপাক তাবা পোলিটিক্সনা থোকহনবনি হায়নসু মরাল শীখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## বাংলাদেশকী বন্দরবনদা কম্বাইন্দ ফোর্সনা চথরকপা ওপরেসনদা নুপী ১৮ য়াওনা কে এন এফকী কাদর ৫৩ ফাগৎখ্রে

**ধাকা, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সী) :** থা অসিগী ২দা বাংলাদেশকী থাঞ্চি উপ জিলাগী থাঞ্চি বজারদা লৈবা কৃষি অমসুং সোনালি বেঙ্কতগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা বাংলাদেশকী শেলদা লুপা লাখ ১৭.৪৫গা মোবাইল ফোনশিংগা লুট তৌখ্রবা মতুংদগী লৈবাক অদুগী রেপিদ এক্সন বট্টালিয়ন (আর এ বি) অমসুং বাংলাদেশ আর্মিনা খূৎশম্নদুনা কুকি-চিন নেসনল ফ্রন্ট (কে এন এফ) কী মথক্তা অকনবা উকায় তকথরকপদা ঙরাং লালহৌলূপ অসিগী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী চীফ কোওর্দিনেটর চিওসিম বোম (৫৫) বু বন্দরবনগী সদর উপ জিলাদা লৈবা শ্বালোক এরিয়াদা চথবা ওপরেসন অমদা ফাগৎখ্রবা মতুং লালহৌলূপ অসিগী কাদরশিংনি হায়বা নুপী ১৮ য়াওনা পূন্না কাদর ৫৩ ফাগৎপা ঙম্লে হায়রি।

লৈবাক অসিগী কম্বাইন্দ ফোর্সনা মায় পাক্লা চথখিবা ওপরেসনশিংদগী ফাগৎলক্লবা লালহৌলূপ অসিগী মরু ওইবা মীওইশিংগী মথক্তা য়াম্লবা শেনফম লুট তৌখিবা রুমা উপ জিলাদা লৈবা সোনালি বেঙ্ককী

### নোংমৈ ৭ য়াওনা কে এন এফকা মরী লৈনবা পোৎলমশিংসু ফাগৎখ্রে

এসিষ্টেন্ট কেসিয়র লালচিয়াম বোমসু য়াওরি। মহাক থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসকী মায়কৈদগী অকনবা ইন্টরোগেসন চথরক্লিবনি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা বাংলাদেশকী আর এ বি অমসুং লান্মীগা খূৎশম্নদুনা কে এন এফকী মথক্তা চথরকখিবা অকনবা ওপরেসনদা য়ামদ্রবদা নোংমৈ ৭ অমসুং মসিগী মরূশিংগা লোয়ননা লালহৌলূপ অসিগা মরী লৈনবা খূৎশু খূৎলায় কয়ামরুমসু ফাগৎপা ঙম্লে হায়রি।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা বাংলাদেশ লান্মীনা চথখিবা ওপরেসন অদু লৈবাক অসিগী রুপা উপ জিলাগী বাথেলপরা য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুলশিংদা চথখিবনি। ওপরেসন অসিদা য়াম্লবা খূৎশু খূৎলায়শিং ফাগৎলকপা ঙমখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## খূরক্কী ঈনা লাই শারিবা মীওইশিং মীখল অসিদা পাড়া তম্বীরসি : প্রোফেসর বিমোল



**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস):** মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসি খূরক্কী ঈনা লাই শাবশিংগুম্না মপান্দগী চঙলকপা মীতোপ খরনা থোকহনবনি হায়রদুনা অদুগুম্বা খূরক্কী ঈনা লাই শারিবা মীওইশিং অদু হন্দক্কী মীখল অসিদা পাড়া তম্বীরসি হায়না ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা আই এন দি এ আই ব্লোক, মণিপুরগী কম্মন কেন্দিদেট ওইরিবা কোংগ্রেসকী প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুম - থৌবাল হাওখ, চরাংপাৎ অমসুং য়াইরিপোক্তা মীয়ামগী মীফমশিং পাঙথোকপদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## শেলগীদমক নন লোকল ১ কিদনেপ তৌরম্বা ২ পুলিসনা ফারে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস) :** মী ফারগা থাদোকমল লৌনবা হোৎনরম্বা মীওই ২ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা ফাগৎখিবগা লোয়ননা মখোয়না ফাজিন্দুনা থল্লম্বা নন লোকল (বিহারি) অমা রেস্ক্যু তৌখ্রে হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোনা রেস্ক্যু তৌরবা ভিক্টিম নন লোকল অদুগী মমিং হরেরাম প্রসাদ কৌই, মহাক বিহারদগী লাক্লগা হৌজিক্লা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবনি হায়রি। মহাকপু ফারগা থাদোকমল শেল লৌনবা হোৎনরম্বদগী ফারবা মীওই অনীদুদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সাইতোন অৱাং লৈকায়দগী এম দি জুমা খান (৩৪) অপোকপা এম দি রাজা আলি অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী রাম বহাদুর খদকড় (৪৪)নি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## থরোই লোক্তা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা থৌনি- শীংশৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস) :** চহী খুদিংগী পাঙথোরকপগুম ঙসিসু হৈবোক চীংগী থরোই লোক্তা লৈবাক মীয়ামগী থৌনি-শীংশৎপগী থৌরম উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা শীন্দুনা মাইবা হনবা, পেনা, উত্রা শঙলেনগী ফম্নাইবশিংনা অমাইবীশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী মতাংদা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি লাইশ্রম পোইরৈতোননা হায়, মীতৈ লৈবাক্কী ওইনা লমতা থাগী থাশু (থাশি) নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদা লৈবাক ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# 'কারোই খঙবা কেন্দিদেট নৎত্রগা পার্টিনা শেল য়েল্লক্কদবনি'

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিদা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্লগদবা মণিপুরগী ১৮শুবা লোক সভা মীখল অমসুং মীখলসিদা ইন্নর অমসুং আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইরিবশিংগী মরক্তগী মীয়াম্না করম্বা কেন্দিদেটতা ভোট পীগদগে হায়না হংলদুনা ভোটরশিংগী অপাম-পামদা খঙদোক্লবগীদমক পাউচে অসিনা নম্বোল, কৈশামথোং অমসুং থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীওই খরগা উনখ্রবা মতুংদা ঙসি য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীওই খরা উনরুবদা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী **পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ১৪/২দগী এল গোবিন্দনা হায়:** ইলেক্সন অসি মণিপুরগী ওইনদি মতম চাদে হায়না লৌই অদুবু তঙাইফদনা পাঙথোকপা তারবনিনা অফবা মীহুৎ খনবদা শরুক য়াগনি। মমাঙদা

*লোক সভা মীখল - ২০২৪দা মীয়ামগী হকথেংনবা পাউদম*




পাঙথোকখিবা ইলেক্সনশিংদা মীয়াম্না লূম্না খন্দবগুম লায়থোকপগুম হেক হেক তৌখি। এম পি খনবগী ইলেক্সন অসিসু য়াম্না মরু ওইবা মীখল অমনি। মসিদগী কাখিবা মীহুৎসিনা পার্লিয়ামেন্টতা লৈবাক অসিগী ইস্যুশিং পুথোক্তুনা খন্নগদৌরিবনি।



ৱিল্লিয়ম তেকচম, ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপাল

মতিক চাবা খলহৌদবনা মণিপুরগীদমক ৱা ঙাঙবা ঙমদবনি। মরম অসিনা হন্দক্কী মীখলসিদা মীয়াম্না খনবগা লোয়ননা ভোটিং রাইট মাঙহন্দনা চপ চাবা অফবা মীহুৎ খনবদা শরুক য়ামিন্নসি। মসি হায়রে হায়দুনা ভোটকীদমক লাঙবা-নুংঙাইবদি নত্তে। য়াইস্কুল এ সীগীদি ভোটকীদমক য়াম্না কা হেন্না লাঙবসু মমাঙথক্তগী তৌরক্তে, হন্দকসু তৌদে হায়খি।

অদুবু মতম খরগী মমাঙদা ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, লৈবাক কায়বা য়ারোই হায়না লাউরম্বা, খুল ঙাকপা য়াওরম্বা ইমা ইবেলশিং হৌজিক্লা ইলেক্সনগী কেম্প্যেনদা ওইনা য়াওবগুম উরক্লে। হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদি নুপাদগীদি নুপীনা হেন্না লাঙবগুম উই। ইমা ইবেল ময়াম্না পূনশিল্লগা মীঙোন্দা ভোট লেপ্পু, লেপ্তুবা য়ারোই হায়না পুথোরকপা কেন্দিদেট ফাওবা য়াওদবা নত্তে। মীটিং ওইগেরা, কেম্প্যেন ওইগেরা মীখলগা মরী লৈনবশিংদা হন্দক্কী ওইনদি নুপীশিংনা হেন্না থৱায় য়াওবগুম উজে হায়রকখি।

ইলেক্সনসিদা শেঙ্গা থুমজা চাউনা তৌগনি হায়বগী থাজবদি লৈতে। তৌরগসু লোইনমক্তি তৌরক্লোই। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### রিপোর্টর খরা লৌগনি

পাউচে অসিগীদমক রিপোর্টর খরা লৌগনি। ওইনীংবা মীওইশিংনা মশা-মশাগী পাসপোর্ট ফোটোগা কোন্ননা বাইও-দাটাশিং ওফিস মতম অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি। এপ্লিকান্টশিংগী মহৈগী থাক য়ামদ্রবদা গ্রেজুএট ওইগদবনি।

HL-C/251/2,3,4,5,6,7,8,9 - মেনেজর, হুইয়েন লানপাউ


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫